**32T MMAN**

# 2022

# MANIPURI

## (MODERN INDIAN LANGUAGE)

**Full Marks : 100**

**Pass Marks : 30**

**Time : Three hours**

***The figures in the margin indicate full marks for the questions.***

| | |
|---|---|
| *Q. No.* **1** *(Ka to Nya) carries* **1** *mark each* | 1×10=10 |
| *Q. No.* **2** *carries* **2** *marks each* | 2×6=12 |
| *Q. No.* **3** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **4** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **5** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **6** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **7** *carries* **5** *marks each* | 5×2=10 |
| *Q. No.* **8** *carries* **5** *marks each* | 5×1=5 |
| *Q. No.* **9** *carries* **5** *marks each* | 5×1=5 |
| *Q. No.* **10** *carries* **6** *marks each (any two)* | 6×2=12 |
| *Q. No.* **11** *carries* **5** *marks* | 5×1=5 |
| *Q. No.* **12** *carries* **5** *marks each (any three)* | 5×3=15 |
| *Q. No.* **13** *carries* **10** *marks* | 10×1=10 |
| | Total = 100 |

*Contd.*

১। য়াম্না তেন্না পাউখুম পীয়ু ঃ ১×১০=১০

(ক) 'পুক্লিংগী অশোংবা উমং' হায়রিবসি করিবুনো? ১

(খ) মৈতৈ নুপীনা ৱাহৈ কারল চল্লকপা মীদা করম্না দণ্ডী পীবা ঙম্বগে? ১

(গ) "জ্ঞান হায়বসি শক্তীনি" — ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো? ১

(ঘ) কেগে হায়রগা করম্বা লমদম্বু খঙনরম্বগে? ১

(ঙ) 'মফম অসি মী অয়াম্বনা চঙবদা খরা হঙ্গোইনে।' পল্লিবসি করম্বা মফম্নো? ১

(চ) কনানা মপুঙ ওইনা মণিপুরী ৱারেংবু মওং অমা তাহল্লকখিবগে? ১

(ছ) অনুতাপ্পা চাকমিবা নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে? ১

(জ) "অৱাবা নুংঙাইবা ঈথক্তা
মীৱাগা নুংশিৎ মরক্তা"
— 'মীৱাগী নুংশিৎ' হায়বসিনা করিবু খঙহনবগে? ১

(ঝ) 'নুমিৎ ময়াম থোরক্কদবা ৱাৎলি' হায়বসিদা 'নুমিৎ ময়াম' হায়বসিনা করিগী ৱাহন্থোক পীবগে? ১

(ঞ) 'থাইনগী লৈরাং লৈনুংশি' হায়বসিনা করিবু খঙহল্লিবগে? ১

২। তেন্না ৱাহৈ পরেং ২/৩ দা পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৬=১২

(ক) লৈশেম-মীশেল্লকপা লাইনা মৈতৈ নুপীবু তোপ তোপ্পা শেম্লবা মাল্লি হায়রিবা করিগীনো? ২

(খ) 'মপা-মচাগী মায়থোঙ অনিদো খংঙান ঙাম্থোরকপগুম তৌই।'
— মপা-মচা অনি হায়রিবসি কনা কনাবুনো? মখোয়গী মায়থোঙ খংঙান-ঙাম্থোরকপগী মরম করিনো? ২

(গ) 'নুপী নিপাগী মরন্নি, মথৱাইদা পাঞ্জবনি।' — করিগীদমক্তা নুপীবু নিপাগী মরন্নি হায়রিবনো হায়বদু ইয়ু। ২

(ঘ) 'অদুমদি ফম্মিন্নগনি; মায়দি ওন্সিন্নরোই।' — ৱাফম অসি কনা কনাগী মরমদা হায়রিবনো ইয়ু। ২

(ঙ) "ইস ফজরেদা! হাউরনিদা পাবো।" — কনানা হায়বনো? পল্লিবসি করি পোৎনো? ২

(চ) লর্ড আরুইন কনানো? মহাক্না মণিপুরবু করম্না শৈথারম্বগে? ২

৩। (ক) সমাজদা মৈতৈ নুপীশিংনা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং অনিগী মরমদা শন্দোক্না ইয়ু। ২+২=৪

*নত্রগা*

(খ) 'শাপ নত্তে, অমাংবা নত্তে, বরনি' হায়রিবসি অইবা কনাগী মরমদা হায়রিবনো? মাগী খুৎইগী মতাংদা শন্নপ্পা ইয়ু। ১+৩=৪

৪। (ক) মীগী ওইবা গুণশিং শন্দোকপগী থবক কনানা তৌগদগে অমদি করিগীদমক্তনো হায়বদু শন্নপ্পা ইয়ু। ১+৩=৪

*নত্রগা*

(খ) হিদাক লান্না শিজিন্নবনা ওইহনবা য়াবা মওংশিং অদু ইয়ু। ৪

৫। (ক) "য়াইফৌ চেক্লা য়াইফবা, কাঞ্চী-কোনগী চেক-নুংশি।" — 'কাঞ্চী-কোনগী চেক-নুংশী' হায়রিবসি কনাবুনো? শৈরেং মতেক অসিগী নুংগী ভাব অদু ইয়ু। ১+৩=৪

*নত্রগা*

(খ) "লাউরক্লি তোর্ব্বানগী মীনা করিনো অঙাউবা হোজিল্লু।" — 'তোর্ব্বানগী মী' হায়রিবসিনা কনাবু খঙহনবগে? অঙাউবা হায়রিবসিনা কনানো? করিগীদমক্তা অঙাউবা হায়রিবনো হায়বদু শন্নপ্পা ইয়ু। ১+১+২=৪

৬। (ক) "হৌজিকমকসু নুমিৎ ময়াম থোরক্কদবা ৱাৎলি
মথং মথং
পৃথিবীসিগী অয়ুক ময়াম ঙাইদুনা লৈরী।"
— শৈরেং মতেক অসিগী নুংগী ভাব অদু ইয়ু। ৪

*নত্রগা*

(খ) 'খঙদবরা শকহেনবী
য়াহৌথেংবী লৈরাংবী'—
— কনানা হায়রিবনো? শকহেনবীগী অর্থ করিনো? 'য়াহৌথেংবী লৈরাংবী' হায়বসিনা কনাবু খঙহনবগে? ১+১+২=৪

৭। ৱাহং অনিখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×২=১০

(ক) অশাংবম মীনকেতনগী মতুংইন্না মোইরাংদা মতম অমদা ওইরম্বা চনুরাশিংগী তোল্লবা ফিভম অদু নশাগী ৱাহৈনা থাদুনা ইয়ু। ৫

(খ) বৃতিশনা মণিপুর মচাশিংবু নৈখিবা মতমদা মৈতৈ নুপিশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদু তেন্তক্না ইয়ু। ৫

(গ) "লেন্না পুরিবা নত্তে হাই! পৈশা পীরক্কদৌরিবনি।"
— কনানা কনাদা হায়রিবনো? পুরিবা পোৎ অদু করিনো? মরী লৈনবা থৌদোক অদু তেন্তক্না ইয়ু। ১+১+১+২=৫

৮। (ক) ভেলু এদুকেসনগী তঙায়ফদবা লৈরকপগী অহেনবা মরম অনিগী মতাংদা শন্দোক্না ইয়ু। ৫

*নত্রগা*

(খ) ইনখৎলকপা চহি মতাংগী অরানবা ৱাখল্লোনশিংগী মরমদা ইয়ু। ৫

৯। (ক) "লৈকোল অসি কুইদরি!
খোন্নৌ নহা খোইনিং অমা
খোংজরমই মখৌ পোংনা
চেক্লা মদোম ঙাইজখি
নীংঙমখিদে মহাকথক-কুইদরি!"
— শৈরেং মতেক অসিগী নুংগী ভাব অদু শন্দোক্লা ইয়ু। ৫

*নত্রগা*

(খ) মণিপুর কৌবা শৈরেং অদুগী নুংগী ভাব অদু শন্দোক্লা ইয়ু। ৫

১০। য়াউফম মরী-মখোঙ তাকতুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ (অনীদংগী) ৬×২=১২

(ক) হৌজিকমকসু নুমিৎ ময়াম থোরক্কদবা ৱাংলি
মথং মথং
পৃথিবীসিগী অয়ুক ময়াম ঙাইদুনা লৈরি। ৬

(খ) কদোমদনো লম্বেনসিবু-
চীনগা খুৎকা মান্নদবা,
লমথুংফমগা লম্বেনগা শন্নদবা,
ফিদমদগী মীশক্লা লুবা? ৬

(গ) মাগী নীংবা কায়রনি-
নোংনা পুমঙাল ঙানদ্রিঙৈ
খঙঙি চেক্লা থেমদোকখিবনি।
শিদা ঈরা ইন্দুনা য়োকপনি। ৬

১১। (ক) এলাংবম নীলকান্তগী মতুংইন্না হিজম অঙাংহল অমসুং অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেংগী খুৎইগী মশক তাকউ। ৫

(খ) অইবা এলাংবম নীলকান্তগী মতুংইন্না খ্বাইরাকপম চাউবা অমসুং লমাবম কমলগী ৱারেংগী খুৎই চাংদম্নদুনা উৎলু। ৫

১২। অহুমখক্কী মরমদা ইয়ু ঃ ৫×৩=১৫

(ক) ৱাতপ (প্রত্যয়) কদাইবু কৌবগে? মখল কয়া শুবগে হায়বদু খুদমগা কোন্ননা ইয়ু। ২+৩=৫

(খ) থৌবাঙ (কারক) কদাইবু কৌবগে? অনিদংগী মরমদা খুদম পীদুনা ইয়ু। ১+২+২=৫

(গ) উপসর্গ কদাইবু কৌবগে? মখলশিংদু খুদমগা কোন্ননা ইয়ু। ২+৩=৫

(ঘ) সমাস করিনো? মখল কয়া শুবগে? মখল অনিদংগী মরমদা ইয়ু। ২+১+২=৫

১৩। অমগী মরমদা রচনা (Essay) ইয়ু ঃ ১০×১=১০

(ক) ছাত্র অমসুং ইন্টরনেট ২+২+২+২+২=১০

*(অ)* ৱাহৌদোক

*(আ)* ইন্টরনেট করিনো তাকপা

*(ই)* ইন্টরনেটকী কান্নবা

*(ঈ)* ইন্টরনেটপু লান্না শিজিন্নবা

*(উ)* ৱারোইশিন

(খ) অসামগী লমকোয়ফম অমা ২+২+২+২+২=১০

*(অ)* ৱাহৌদোক

*(আ)* মরী লৈনবা ঈ-পাউ

(ই) মফমদু য়ৌনবগী পান্থৈ

(ঈ) লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবা

(উ) ৱারোইশিন

(গ) ছাত্র অমসুং থকশি-খাশি ২+২+২+২+২=১০

(অ) ৱাহৌদোক

(আ) থকশি-খাশি করিনো তাকপা

(ই) মসিগী মরুওইবা

(ঈ) মহৈরোই অমসুং থকশি-খাশি

(উ) ৱারোইশিন।

———×———